হুইয়েন লানপাউ
HL



এন ঈ সী অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনো-রিটি এফেয়র্সকী মখাদা অন্দ্রো এ সীদা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎলিবশিং মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা য়েংশিনখিবগী শক্তম লামায় ৩


কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) লোকল কাউন্সিল ককচীংগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা সী পি আই মণিপুরগী ঈহৌ খোঙচৎ লোইশিন থৌরমগী শক্তম লামায় ৫


তোঙান-তোঙানবা মখলগী ঙা অহিংবা ওইনা ফংহনগদবা ফিশ আর্কেদ অমা হৈরাঙ্গৈইথোংদা রেভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হাংদোকখিবগী শক্তম লামায় ৩



মণিপুর ইন্টরনেসনল টেক্সটাইল এক্সপো (মনিটেক্স) কী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা পাৱর লূম দে থৌরমদা দেজদা ফমখিবা ওফিসলশিং লামায় ১

Vol. 42, Issue No.226 | শগোলশেল, হিয়াঙ্গৈ নোংমা পানবা, | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, November 08, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

# দিৱালি নুমিৎ : ইম্ফালদা নিল খোংবগী চাং খূদোংথীনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌখি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): দিৱালি ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা অহৌবা মখোলগী বোম্বুলা থাবা, মৈকাপ্পী কাপ্পা য়াওনা ঙসি নুমিদাং ইম্ফাল ময়োলদা থোকখিবা নিল-খোংবগী চাং খুদোংথীবা থাক য়ৌখি।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংদা কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা মীৎকুপ কাংদনা নুমিদাংগী মতমদা বোম্বুলা থাবা অমদি মৈকাপ্পী কাপ্পগী মখোলনা নিলখি। ফেষ্টিবেল অসিগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফালগী মরুওইবা মফমশিংদা দুকান ফল্লিবশিং অমদি য়ূম ওইনা লৈরিবা মফম কয়ামরুমদগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ তারকপা অদুৱাইদগী নুমিদাংগী পুং ১১ রোম তারকপা ফাওবা বোম্বুলা থাবগী মখোলনা নিলখি।



মণিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্দকী এসিষ্টেন্ট ইনভাইরোমেন্টেল এঞ্জিনিয়ারশিংনা নোইজ লেবেল মিটর শীজিন্নদুনা ইম্ফালগী তোঙান-তোঙানবা মফম অহুমদা নিল-খোংবগী চাং ওনখি। নোর্মেল ওইনা নুমিদাং পুং ১০গী মমাংদা নিল-খোংবগী চাং অসি দেসিবেল ৬৫ ফাওবগী চাংদা লৈফম থোকপনি। অদুবু, থাঙ্গাল কৈথেল অমদি মসিগী অকোয়বদা নিল-খোংবগী চাং অসি দেসিবেল ৮৮.২ য়ৌদুনা খূদোংথী-নিংঙাই ওইবা থাক য়ৌখিবনি।

নিল-খোংবগী চাং ওনখিবা অদুগা মরী লৈননা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী এসিষ্টেন্ট ইনভাইরনমেন্টেল এঞ্জিনীয়র অমনা পাউচে অসিদা হায়খি, নিল-খোংবগী চাং অসি ইম্ফালগী তোঙান-তোঙানবা মফম অহুমদা ওনখি। মফমশিং অদুদি, রাজ ভবনগী গেট মনাক, শিংজমৈ অমসুং এম জি এভিন্যুদনি। মখা লামায় ৩ কলম ২

# টেক্সটাইলগী পোখোক চাং ৱাংনা পুথোক্লবা পান্দম থল্লি : লল্লি কামৈ

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): মতমগা চুনবা অনৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা মণিপুরদগী টেক্সটাইলগী পোখোকশিং চাং ৱাংনা পুথোক্লবা পান্দম থল্লি হায়না দিরেক্টোরেট ওফ হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইলগী দিরেক্টর লল্লি কামৈনা ঙসি পাৱর লূম দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ওর্গনাইজিং কম্মিটি মণিপুর ইন্টরনেসনল টেক্সটাইল এক্সপো (মনিটেক্স), দিরেক্টোরেট ওফ হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইলনা শীন্দুনা লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা মণিপুর ট্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা থা অসিগী ৫ দগী চথরকখিবা এক্সপো অসিগী হুম্নি চনবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা পাৱর লূম দেগী থৌরমদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা লল্লি কামৈনা হায়খি, ফিশা-লোনশাগী লম্দা খুমাং চাওশিনহন্নবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা ইন্টরনেসনল টেক্সটাইল এক্সপো অসি পাঙথোরকপনি। এক্সপো অসিগী মনুং চন্না ঙসি পাৱর লূম দেগী থৌরম পাঙথোক্লি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা পাৱর লূমসু য়েন্থোক্কনি। মতমগা চুনবা টেক্নোলোজি কয়া শীজিন্নদুনা টেক্সটাইলগী পোখোক হেনগৎহনবা তঙাইফদে।

ষ্টেট অসিগী ওইনা পাৱর লূম খূৎশিন্নবগীদমক বেনিফিসরি ৪১ রোম খনগৎখি। খনগৎলবা বেনিফিসরিশিংদা পাৱর লূমশিং খূৎশিন্নগনি। হৌজিক পাৱর লূম ৮০ রোম থুংলদুনা লৈরে। পূন্না সেঙ্কসন তৌরকপা অসি ২০১ রোমনি। পাৱর লূমশিং অসি মথং-মথং ইম্ফালদা থুংলরগনি। ঙসি বেনিফিসরিশিংদা খূৎশিন্নগদৌরিবা পাৱর লূমশিং অসিনা টেক্সটাইলগী পোখোকশিং অসি চাং য়াম্না পুথোকহন্নবা পান্দম থল্লিবনি।

টেক্সটাইল এক্সপো অসিদা ম্যান্মার, বাংলাদেশনচিংবদগী ফিশাবী কয়াসু শরুক য়ারি। বাংলাদেশনচিংবদা ফিশা-লোনশা তৌবগী মওং কয়াসু য়েংমিন্নগনি। মনিটেক্সকী মনুং চন্না হাংলিবা ষ্টোলশিং অসিদা থাইলেন্দ-নচিংবা লৈবাক কয়াদগী ষ্টোলশিং হাংদুনা তোঙান-তোঙানবা পোখোক কয়া উৎলি।

ফিশা-লোনশাগী থবক চাউখৎ-হন্নবা ... মখা লামায় ৩ কলম ২

## HL POLL

**Q :** Police Cycle Patrol Unit hangdokkhiba asina pamdaba thoudoksing lakshinba ngamgani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

**Q :** Delhi da Curtain raiser pangthokpana Sangai Festival da mapangi tourist henna lakhangani khanbra?

Yes 49% No 51%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## অস! লোইরেহে!

লৈবাকমচাশা শূরুনু, ঐসু ৱাদমক ঙাঙলগা চারিসিনি...!



পেল্লেদকো মহাশয় পেল্লেদকো !

# চাক্কৌবা নংনবা ওল্ড এজ পেন্সনগী শেনফম একাউন্টতা চঙহনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা মমাঙদা থাজবা পীখিবগী মতুংইন্না নিংঙোল চাক্কৌবা নংনবা ওল্ড এজ পেন্সনগী শেনফম পেন্সনর মশা-মশাগী একাউন্টতা চঙহনখ্রে হায়রি।

মণিপুর ওল্ড এজ পেন্সন স্কিমগী মখাদা খুদোংচাবা ফংলিবা অহল ৪৫,০০০ হেনবগী একাউন্টতা থা ১২ গী ওইনা লুপা ২৪০০ চঙহনখ্রে হায়রি। হায়রিবা শেনফম অসি কুমজা ২০১৭ কী মার্চতগীনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি থা ফাওবগীনি।

মণিপুর ওল্ড এজ ... মখা লামায় ৩ কলম ২

# খোঙজং চঙশিল্লগনি : জে সী আই এল পি এস

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): মীতোপ চঙলকপা থিংননবা মণিপুর লৈঙাক্না মতিক চাবা থবক পায়খৎতনা হান্নগুম্না তুমিন্না লৈথোকপা তারবদি নিংঙোল চাক্কৌবা হেক লোইবগা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস)কী মীদিয়া এন্দ পব্লিসিটিগী কো-কনভিনর জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরগী য়েলহৌমী নত্তবা মপান্দগী অরানবা মওংদা মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংবগী খোঙথাং কয়া লৌখৎলি।

মণিপুর পুলিসনসু ... মখা লামায় ৩ কলম ৪

# নিংঙোল চাক্কৌবগী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবদা পাঙথোক্কদৌরিবা নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ্র, হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা লমদম অসিগী নিংঙোল পুম্নমক্তা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি।

মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা নিংঙোল চাক্কৌবগী য়াইফ পাউজেল পীবগী থাদোরকপা চেরোল অদুনা হায়, হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমীৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিনা মচিন-মনাও ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিলহল্লগনি। মখা লামায় ৩ কলম ২

HL-B/5552/21/10-20/11

## URGENTLY REQUIRED

Applications are invited from the willing M&F candidates for the following post.

DETAILS OF SERVICE :

| Sl. | Post | Qualification | Experience | Age | Salary | No. of Post |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Computer Operator | DCA/BCA | 1 yr Above | 25 yrs & above | Negotiable | 2 (M) |
| 2. | Customer care | Graduate Fluency Eng.& Hindi | 1 yr Above | 25 yrs & above | Negotiable | 2 (M/F) |
| 3. | Driver | VIII Pass | 2 yrs Above | 25 yrs & above | 6000 + Allw. | 20 (M) |

Last date of form submission :- 12/11/2018

Imphal Finance Co-op. Thrift & Credit Society Ltd.
H.O.Loklaobung,B.O.M.G. Avenue,Paona Bazar
& Bishnupur Bazar Contact : 7005703687



ORGANIZING COMMITTEE
MANITEX
THE MANIPUR INTERNATIONAL TEXTILE EXPO
Directorate of Handlooms & Textiles, Govt. of Manipur

Cordially request the pleasure of your kind presence at

APPAREL & GARMENT DAY

8TH NOVEMBER, 2018 | AT 01:00 P.M. | MANIPUR TRADE & EXPO CENTRE, LAMBOI KHONGNANGKHONG, IMPHAL

CHIEF GUEST
SHRI TH. RADHESHYAM SINGH
Hon'ble Minister, (Education), Manipur

PRESIDENT
SHRI S. RAJEN SINGH
Chairman, MHHDC Ltd. Manipur

GUESTS OF HONOUR
SHRI KHASHIM VASHUM
Hon'ble MLA, Chingai A/C

SHRI AWANGBAW NEWMEI
Hon'ble MLA, Tamei A/C

JOINT SECRETARY
M/o Textiles

SHRI P. VAIPHEI, IAS
Principal Secretary, (TC&I)

SHRI H. DELEEP SINGH, IAS
Commissioner, Education (S)

PROGRAMME

PRESENTER : PAUL HAOKIP

01:00 p.m. : Apparel & Garment Exporters & Importers MeetResource Persons
02:00 p.m. : Experience Sharing in Garment - Resource Person
02:30 p.m. : Arrival of Guests of Honour, President & Chief Guest
03:00 p.m. : Launching of School Uniform (Shirt)
Signing of MOA for Apparel & Garment Centre with MHHDC
: Slide/Video Show on MANITEX and Handlooms & Textiles
: Cultural Show - Cheraw (Bamboo Dance) by Young Mizo Assn.
: Speech by Guests of Honour
: Speech by President
: Speech by Chief Guest
05:00 p.m. : Cultural & Fashion Week Programme
MEET THE FILM PERSONALITIES OF MANIPUR
• Gokul Athokpam, Actor • Manda Leima, Actress • Sunny Kumar N., Actor
MANITEX FASHION WEEK 2018
: Fashion Show of Imphal East
: Performance by AJ Maisnam
: Fashion Show of Ukhrul

HL-B/4975/8

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫